আর কে সনাতোম্বা জর্নেলিষ্ট এৱার্দ

ইম্ফাল, মে ২৪ : কংলা লানপুংগী এদিটর ওইরম্বা লৈখিদ্রবা আর কে সনাতোম্বগী মিংদা কুমজা ২০০৪দগী হৌদুনা পীরকখিবা আর কে সনাতোম্বা মেমোরিএল এৱার্দ চহী অসিগী ওইনসু লৈখিদ্রবা সনাতোম্বগী লাক্লিবা জুন ৩০দা পাঙথোক্কদৌরিবা কুমওন থৌরমদা লমদম অসিগী মতিক ময়াই ওইবা পাউ ফোঙখিবা রিপোর্টর অমা খল্লগা পীরগনি হায়না আর কে সনাতোম্বা মেমোরিএল ট্রষ্টকী চ্যেরমেন ডা. আর কে নিমাইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা হায়, এৱার্দ অসিগীদমক লমদমসিদা লৈরিবা মিদিয়া হাউসশিংগী এদিটরশিংনা মশক থোকপা পাউ ইখিবা পাউমী খনগৎপীরক্লগা রেকমেন্দ তৌরক্কদবনি। পাউমীশিংনা কন্ট্রিব্যুট তৌরকখিবা পাউশিং অদু কুমজা ২০১৬কী জন্যুৱারী ১দগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা ফোঙখিবা পাউশিং ওইগদবনি। এৱার্দ অসিগীদমক পাউমীশিংনা নোমিনেসন তৌরকপা মতমদা তোকখায়বা লম অমগী লিমিটেসন লৈতে। অদুমকপু নোমিনেসন তৌরক্কদবা অসি ফিল্ড রিপোর্টরশিংগী মরক্তগী ওইগদবনি। অদুগা নোমিনেসন তৌরকপগী মরী লৈনবা চে-চাংশিং লাক্লিবা জুন ১৫ ফাওবগী মনুংদা ট্রষ্ট অসিদা পীশিনবীরক্কদবনি হায়নসু মখা তারি।

হায় রিস্ক নিয়োনেটস ক্লিনিক হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ : রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিপার্টমেন্ট ওফ পেদিয়াট্রিক্সকী মখাদা অনৌবা স্পেসেলিটি ক্লিনিক অমা ওইরিবা হায় রিস্ক নিয়োনেটস ক্লিনিক ঙসি রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. সী ঐচ অরুনকুমারনা হাংদোকখ্রে। রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ পেদিয়াট্রিক্সকী হেদ ডা. সী ঐচ শ্যামসুন্দরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রিমস হোস্পিটালগী পেদিয়াট্রিক্স ও পি দিদা য়ুমশকৈশা নুমিৎ খূদিংগী ক্লিনিক অসি নুংথিল পুং ১দগী ৩ ফাওবা হাংগনি। ক্লিনিক অসিনা প্রি-মেচ্যোর ওইনা পোক্লবা অঙাংশিং, অরুন্বগী চাং হন্থনা পোকপা অঙাংশিং, পোকপা কুইদ্রিঙৈদা মরুওইবা লায়ওংশিং নারবা অঙাংশিংনচিংবদা অখন্নবা ক্যের ফংহনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

এমসুনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৪ : সী সী হায়র সেকেন্দরি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরন্বদা নত্তনা হৌজিক হৌজিক এমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপ-মেন্ট সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুরিবা ব্রুশ পেবমনা লৈঙাক্কী মহৈশঙবু মায় ঙাক্তুনা চহীসিগী কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুৱেল্ভ ইগজামগী আর্টস ষ্ট্রিমদা ৮শুবা পোজিসন তারকপা অসিদা এমসুগী থৌমী খূদিংমক্লা হরাও-তয়াম্বা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়না তুংদসু খুন্নাইসিগী মাঙজিল থানা থবক থৌদাং পাঙথোকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না থৌনা হাপ্পক্লি।

এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোসন গোলমৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা আই এল পিগী ঈহৌদা শরুক য়ারুবগী মণিপুর পুলিসনা ফাদুনা নুমিৎ ৬নি জুবেনাইল হোমদা থমজিনখিবা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌ পুরন্বদা ব্রুশ পেবমনা চহীসিগী ক্লাস টুৱেল্ভ ইগজামগী ফল লাউথোরকপদা আর্টস ষ্ট্রিমগী ওইনা ৮শুবা পোজিসন তাদুনা লৈঙাক্কী মায় ঙাক্লক্লে। খুন্নাই অমা শেম্বদা খুন্নাইদুদা লৈরিবা মীয়ামদুবু শাগোন্নরিবা মহৈরোয় খুন্নাইগী থৌদাং অসুক্কী মতিক চাউই হায়বসি লৈবাক খূদিংমক্তা মরুওইনা চাইনা, ফ্রান্স অমদি ক্যুবা রেভল্যুসন্দা মহৈরোয় খুন্নাইনা পীরকখিবা অহোংবা অমদি অওনবনা ময়েক শেংনা তাক্লে।

মণিপুরগী নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন য়াওহন্দনা ঐখোয়গী খুন্নাইদা এদ্যুকেসন সিষ্টেম অমা লৈহল্লকখি। ঙসি ঐখোয়গী ইরক্তা ডোক্টর, ইঞ্জিনিয়ার, আই এ এস, আই পি এস অমদি গোল্ড মেদলিষ্ট লীশিং কয়া লৈরবসু মহৈরোয় খুন্নাইগী তাঙ্কক্তা লৈরিঙৈ মতমদা মমা লৈবাক মরমদম্বু নুংশিবা অমদি খুন্নাইগী পূন্সিরোলগা শাগোন্নবা য়াওদনা লাকখিবনা ঙসিদি চাউখৎ লমজেলদা নোংমা নোংমগী হস্তুরক্তুনা কাংখোং চাইরবা খুন্নাই অমা ওইহল্লকখিবনি।

ব্রুশ পেবমনা মহৈরোয় থৌমী অমা ওইনা লৈবাক খুন্নাইগী ঈহৌদসু শরুক য়াদুনা মীথোই-মীহেনবা ঙম্লিবা অসিমক্লা মহৈরোয় লূপশিংদা য়াওরবসু হোৎনববু কল্লবদি মায় পাকপা ঙমই হায়বসি ঙসিগী খুন্নাই অসিদা উৎলে হায়নসু মখা তারক্লি।

ফীভম অমদি মতমগী মতুং ইন্না দামশিং অপগ্রেদেসন তৌদুনা লাক্লি : চীফ ইঞ্জিনিয়ার

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) :

এসিলরেটেদ ইরিগেসন বেনিফিট প্রোগ্রামগী মখাদা শাখিবা দামশিং মফম মতমগী মতুং ইন্না মথৌ তারকপশিং য়েংলগা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনা দামশিং অদু অপগ্রেদেসন তৌদুনা লাক্লি হায়না মাইনর ইরিগেসনগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার এল গৌড়কিশ্বরনা ফোঙদোরক্লি।

লম্ফেলদা লৈবা মাইনর ইরিগেসনগী ওফিসতা ঙসি পাউমী খরগা উনবা অমদা চীফ ইঞ্জিনিয়ার এল গৌড়কিশ্বরনা হায়খি, এসিলরেটেদ ইরিগেসন বেনিফিট প্রোগ্রামগী মখাদা লাইরেন শজিক লৌখোংদা কুমজা ২০০৩দা দাম শাখি। ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ১০ হেনবগী মমাঙদা শাখিবা দাম অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৫দা ইন্সপেক্সন চত্তুনা ওফিসলশিংনা য়েংশিনখি। য়েংশিনবা অদুদা দাম অসিগী দাউনষ্ট্রিমদা লৈরম্বা নুঙশিং মতম মতমগী ওইনা কোখোকখিদুনা দাম অসিগী শোকচিল্লকপা থেংনখি। মদুদগী লৈঙাক্কী এপ্রুভেল লৌরবা মতুংদা কুমজা ২০১৫দা দাম অসিগী দাউনষ্ট্রিম প্রোটেক্সন ৱার্ক পায়খৎখি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা প্রোজেক্ট অমদা শেল হঞ্জিন হঞ্জিন কায়থোক্তুনা শীজিন্নবগী ৱাফম লৈতে। মতম মতমগী মতুং ইন্না শেমজিন শাজিনবগী মথৌ তারকখিবশিং শেমজিনখিবদি লৈ। দাম অসিনা লাইরেন শজিক্কী অকোয়বদা লৈরিবা লৌফমশিং অমদি মনাক নকপদা লৈরিবা মীয়ামদা ঈশিং শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি।

মসিগী মথক্তা এসিলরেটেদ ইরিগেসন বেনিফিট প্রোগ্রামগী মখাদা কুমজা ২০০৫দা কৈবি কুমাদাদা দাম শাখি। মসিগী মতুং কুমজা ২০০৭ অমসুং কুমজা ২০০৮দা অমুক হন্না দাম অসি অপগ্রেদেসন তৌখি। অপগ্রেদেসন তৌবা মতমদা দাম অসিগী ষ্টিল গেট পানবদা নত্তনা স্লেপ হৈবা অমদি পেয়ার হাপখি অমসুং রিটেনিং ৱালসু চনখি।

খামেন লোক্তগী চেন্থরক্লিবা ঈশিং অসি ইরিল তুরেলদা তাবনি। মরম অসিনা দাম অসিগী দাউনষ্ট্রিমগী শরুকশিং শোকচিল্লকপনা মরম ওইরগা ঙসিদগী চহী ১০ রোমগী মমাঙদা শাখিবা দাম অসি শোকচিল্লকপা য়াবগী ফীভম লাকপনা মখা তানা দাম অসিবু নীংথিনা থম্নবগীদমক কুমজা ২০১৫দা দাউনষ্ট্রিম প্রোটেক্সন ৱার্ক পায়খৎখি। হায়রিবা থবক অসি নবার্দকী ফন্দিং মখাদা লুপা লাখ ৪০ রোম শেন্থং লৌরগা পায়খৎখিবনি।

এসিলরেটেদ ইরিগেসন বেনিফিট প্রোগ্রামগী মখাদা দামশিং শাবগা মরী লৈননা মরী লৈনবা ওথোরিটিগা এম ও য়ু সাইন তৌনবদা দামশিং অসিগী মেন্টিনেন্সতি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তৌগদবনি হায়রি। মরম অসিনা মতম মতমগী মতুং ইন্না মীয়ামদা কান্নবা পীরিবা দামশিং অসি শেমজিন-শাজিনবগী মথৌ তারকপা মতমদা দিপার্টমেন্ট অসিনা মতিক চাবা থবক পায়খৎপনি।

অমরোমদা, দিপার্টমেন্ট অসিনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু পিক-অপ ৱায়র, রিভর লিফট ইরিগেসননচিংবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াসু পায়খৎলি। মীয়ামদা কান্নবা পীরিবা অসিগুম্বা স্কিমশিং অসিগী অপগ্রেদেসন মথৌ তারকপা মতমদসু দিপার্টমেন্ট অসিনা য়েংশিল্লবা মতুংদা পায়খৎনবা হোৎনগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) :

লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুথৎনবা পান্দমদা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)না চঙশিল্লকপা একাদেমিক এৱ্যেরনেস, পব্লিক এৱ্যেরনেস, কেমেরা মিটিং, দ্রাইভ কেম্পেন অমদি লিদরশিপ কেম্পনচিংবা পাঙথোকপগী মখা তানা চঙশিল্লকপা খোঙজং ওইনা ঙসিসু সাইতোন বজারদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি এল সঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবগীদমক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী সাইতোন বজারদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হৈয়াইকোন মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি কাব্রাবম ওংবী উরিবী, সাইতোন নুপী সমাজ চাউখৎ লুপকী মীহুৎ খাঙেন্বম ওংবী সোরোধোনি, য়ুনাইটেদ কোচিন ক্লব সাইতোনগী এদভাইজর লাইমুজম মণিমোহন শর্ম্মা অমসুং কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ফাইনান্স হুইনিংশুংবম ওংবী বসন্তিনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট য়ুম্নাম রতনকুমারনা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা থৌরম কয়া চহী কয়া চুপ্পা পাঙথোক্লগা লমদমসিগী মীয়াম্বু ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কন্নবা হোৎনদুনা লৈগদৌরিবনো? লৈঙাক্তা কয়ারক হায়জরগা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না কয়াম কুইনা লাউগদৌরিবনো?

লৈঙাক্লা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবগী থৌরমখক পাঙথোক্লগা মীয়াম অসি কনবা ঙম্লোই। লৈঙাক্লা অচেৎপা ফিরেপ লৌদুনা পান্দম অমা থল্লগা থবক পায়খৎলবতদা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল খূদিংমক থিংবদা মঙম শানবা ঙমগদৌরিবনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী ওইবা ফিরেপ ময়েক শেংবা তঙাইফদে। ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী তোকখায়বা দিরেক্টোরেট অমা হাংবগী তঙাইফদবা অদু লাক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা অতোপ্পা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙলদুনা কাদাগী ৱিমন এফ্যের্সকী সেক্রেটরি নেপ্রম ওংবী বিমোলানা হায়খি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নরকপনা লমদম অসিগী নুপী-অঙাং কয়াদা চৈথেং পীরক্লি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মখলগী ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং অসি থিংনবা হোৎনবদা মমা ওইবীশিংনা মাঙজিল থাবা মথৌ তাই। মমা ওইবীশিংনসু ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবা হোৎনবদা মঙম শান্নবা থৌদাং লৌরসি।

থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা য়ুনাইটেদ কোচিন ক্লব সাইতোনগী এদভাইজর এল মণিমোহন শর্ম্মানা হায়খি, খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বীরেল কয়া কলহৌনবগীদমক ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবা হায়বসি তঙাইফদ্রবা অমনি। মরম অসিনা সাইতোনগী অকোয়বা অমদি খুন্নাই অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক অসি মরু ফুক্লা মুথৎনবা ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি মীপুম খূদিংমক্লা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক অসি থিংহৌদ্রবদি খুন্নাই অসিগী য়ুম্বীরেলশিং মাঙলগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

কুম্বী লোকল কাউন্সীলগী কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) : কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) কুম্বী লোকল কাউন্সীলগী ৪৪শুবা কনফরেন্স অমা হৌখিবা মে ২১দা কুম্বী কৈথেল মান্দপতা পাঙথোকখ্রে হায়না কুম্বী লোকল কাউন্সীলগী সেক্রেটরি কে ঐচ মণিকাপুরনা থোকপা চেরোলনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী খূদিংগী পাঙথোকপা মীফম অসিনা কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)দা সী পি আইগী মপাঙ্গল চপ চানা কলহন্নবা অকনবা থবক চঙশিনবগা লোয়ননা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা খোঙজং চঙশিন্নবা লেপ্পখ্রে।

কনফরেন্স অদু ভেটরান কম্যুনিষ্ট লিদর সনসম মোদোননা সী পি আইগী ফিরাল চিংখৎতুনা হৌদোকখি। সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা. নরা, সেক্রেটরিয়েট মেম্বর অথোকপম লালা, ষ্টেট ইগজিক্যুটিব মেম্বর কুমাম বিমোল, খোল্লাউ থাখায়গী এদিটর খংজ্রাকপম সুর্চান্দ, ভেটরান লিদর সনসম মোদোন, খাঙেনবম ধনা, হুইদ্রোম তোম্বনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি ডা. নরনা হায়খি, কুম্বী এ সীগী মীয়াম্না লূচিংলেন হিজম ইরাবতকী মতমদগী এ সী অসিদা লৈরক্লিবা সী পি আইবু মপুং ফানা শৌগত্তুনা লাক্লি। মখা তানসু শৌগৎপীয়ু। লৈঙাক্লা মপান্থোঙদদি মণিপুর মীয়ামগী লৈঙাকনি অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা লৈঙাক অসিনা থবক কয়া পায়খৎলি হায়না তত্তনা লাউরি। অদুবু তৌথোরকপা থবক্তি মীচম মীয়াম্বু নুংঙাই য়াইফহনবগী মহুত্তা লৈঙাক্লা নক্লবা মীওই কয়া, ইনাক কৈরাক খুনবা অমদি য়াইতোন ফমদোংবশিংবু য়াইফনবা তৌবা ওইনা তৌরি। অসিগুম্বা পোলিটিক্স অসি হোংদোকহন্নবা লেফট পার্টিবু মপাঙ্গল কনখৎহনবা তঙাইফদে হায়খি।

কনফরেন্স অদুদা কুম্বী এ সীগী চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা ৱারেপ মঙাসু লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি কুম্বী এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মথৌ তৌদ্রবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং মথৌ তৌহন্দুনা মীয়ামদা অফবা থক্লবা ঈশিং ফংহল্লু, চথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদ্রবা অমদি মতম শাংনদগী শেন্বীরক্তবা সগাং-নাপৎ লম্বী, কুম্বী-ইথাই লম্বী, কুম্বী-সাইতোন ময়াই লম্বী অমসুং কুম্বী ম্যুনিসিপালিটিগী লম্বীশিং নোংজু থা লাক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদুনা শেম্বা লোইশিল্লু, কুম্বী পাৎতগী হায়জিল্লকপা ঈশিংনা কুম্বীগী অৱাংথংবা মফমশিং ঈচাউ থোকহনবদগী ঙাকথোক্লবা কিলোমিটর ১/২ শাংবা রিং বন্দ অমা অথুবদা শাহন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিনবা, নাপৎ তাংজেং-ইম্ফাল য়ৌবা বস হান্নগুম্না লৈহন্নবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা তকশিনবা অমসুং লৌউ-পাম্থা য়ৌদ্রিঙৈদা আর এল আই স্কিমশিং শেমজিন্দুনা লৌবুকশিংদা ঈশিং পীনবা লৈঙাক্লা থবক পায়খৎলু হায়বসিনি। লোকল কাউন্সীল অসিগী মথং টার্মগী থৌ পুনবা মেম্বর ৩৫সু খনখ্রে। খাঙেনবম মণিকাপুরনা লোকল সেক্রেটরি, নোংমাইথেম গ্যানেশ্বর অমসুং খাঙেনবম মণিবুনা এসিষ্টেন্ট লোকল সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

খুন্নাইসিদা অকায়বা পীরিবা জ্বার মেলা অমদি হাউসী খুদক্তগী লেপকদবনি : ইপাক

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) :

ৱাদনা শেল তাল্লিবনি হায়দুনা খুন্নাই অসিদা অকায়বা পীরিবা জ্বার মেলা অমদি হাউসী খুদক্তগী লেপকদবনি হায়না ইন্দিজিনসন পিপল এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক) মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওপেন অঙোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱাদনা শেল তানবগী হৈনবী অমা লাকপনা খুন্নাই অসিদা মখল কয়াগী হুরান চিন্থীগী পান্থে কয়া শীজিন্নদুনা লৌনম তৌরগা চমজরবা মীওইশিংবু থাজহন্দুনা শেল হাংপা, শেল মৎলগা চেনখিবা অমসুং অফোঙবা জ্বার কয়া তৌদুনা লোনা য়াদ্রবসু শেল তানবগী হৈনবী অমা চথরক্লি। মসিগী মনুংদা জ্বার মেলা অমসুং হাউসী অসিসু অমনি।

ইম্ফাল ময়োলদগী হৌরগা খুঙ্গংগী মফম খূদিংদা লম্পাক ৱায়রগা মমিং অমহেক্তা থোঞ্জিন্দুনা রোকিনচিংবা জ্বারগী পোৎলমনা হেন্না হাপচিল্লগা মেলা পাঙথোক্লরি। মসিদা পীক্লিবা অঙাং, নুপীশিংদগী হৌরগা ৱারক ৱাতেন্থীগদৌরিবা মমা-মপা ফাওবা য়াওশিল্লগা জ্বার শান্নমিন্নরি।

নাকল অমরোমদা, হাউসীসু অদু মঙাই। ক্লব, মৈরা পায়বী, শান্ন-খোৎনবগী অমদি লাই তিন্নচিংবা চাউখৎ থৌরমগী মিংদা হাউসী শিল্লি। মরক অসিদা য়াম্না প্রোফেসনেল ওইনা নুংতিগী এন জি ও, ক্লবনচিংবশিংগী মমিং ৱায়রগা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা ক্লব, কম্যুনিটি, লম্পাক অমদি সিনেমা হোলনচিংবদা হাউসী শান্নরক্লি। ইপাক্কী মায়কৈদগী থমজনিংলিবা ৱাফমদি মীওই ৬০০তা টিকেট য়োল্লগা শান্নগদৌরিবা হাউসী অসিনা ফন্দ দ্রাইভ তৌগদৌরিবা অসি শুপ্পগী চাদা ৪৫দগী ৫০ ফাওবনি অদুগা লেমহৌরিবা অদুনা প্রাইজদা চৎখিগদৌরিবনি। মদুদসু নত্তনা মীওই ৬০০কী মতমসু মাঙহনগদৌরিবা অসিগুম্বা ফন্দ দ্রাইভ অসি নত্তবা অতোপ্পা পান্থে অমা থিমিন্নসি।

ইপাক্লা চঙশিল্লক্লিবা জ্বার মেলা অমদি হাউসী থিংবগী খোঙজং অসিদা ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্কী কোওপরেসন চঙই। জ্বারদা লায়চুদুনা মাঙখিগদৌরবা খুন্নাই অসিদা জ্বার মেলা অমদি হাউসীনচিংবা শিনবদা ক্লব, কম্যুনিটি হোল, লম্পাক অমদি সিনেমা হোলনচিংবা ৱায়হনবীদনবা ইপাক্কী মায়কৈদগী থমজরি।

হাউসী শিনবীরিবা, শিনবীরকখিগদৌরিবা পুম্নমক্কী মফমদা লাক্কদৌরিবা জুন ১ অসিদগী মখল অমত্তগী হাউসী শিনবীদনবা নীংশিংজরি। লোয়ননা হাউসীগা মরী লৈনবা পোৎলম য়োনবীরিবা দুকানশিংগী ওইনদি খুদক্তগী হাউসীগা মরী লৈনবা পোৎলম অমত্তা য়োনবীদনবা নীংশিংজরি। মখা তানা হাউসী শান্নবা পোৎলম য়োনবীরম্বা থোক্লবদি লৈবাক মীয়ামগী মায়োক্তা লেপ্পনি হায়না লৌজগনি। পুম্নমক অসি য়েংলগা খুদক্তগী মেলা শিল্লিবশিংনা জ্বার য়াওদনা মেলা শিনবীয়ু। ইপাক্লা থমজরিবা ৱাফম অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরল্লবদি খুদক্তা মেলা অদু মীয়াম খঙনা থিংনবগী ৱারেপ লৌননবা ফিরেপ লৌজগনি। অদুগা লৈকায় লৈকায়গী মীয়াম্মসু মেলা তৌবশিংনা মখল অমত্তগী মেলাদা জ্বার য়াওরল্লবদি অথিংবা পীবিয়ু। খুন্নাই অমা শেমদোকপদা খুন্নাইচা খূদিংমক্কী মতেং চঙই হায়বসি কাউবীদনা শেমদোকমিন্নসি হায়না ইপাক্কী মায়কৈদগী থমজরি।

হুরানবা ফাবা, জ্বার শিনবা, হাউসী শিনবা লোনা য়াদবশিং থিংবা হায়বসি লো এন্দ ওর্দর পায়রিবশিংগী মথৌনি। অদুবু মখোয়দা ঙাক্তা ইন্থোক্লবদি খুন্নাই অদু কনবা ঙম্লোইদবনা মীপুম খূদিংমক্কী থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই।

মৈহৌ-লাংপোক থোরকপদা ফায়র সার্বিসকী মথৌনি হায়দুনা ফায়র ব্রিগেট লাকপা ঙাইদুনা লৈবা য়ারোই। হুরানবা অমা চঙলক্লে হায়দুনা পুলিস লাকপা ঙাইবা য়ারোই। অদুনা মীয়াম্না খুন্নাই অসিবু অফবা খুন্নাই অমা ওইহনসি হায়রবদি লৈঙাক অমদি মীয়ামগী মতেং চঙই। অদুমক্লা ইপাক্লা ঙমজবা মতেং পাংজগে খন্দুনা খুন্নাইসিগীদমক থবক তৌজবনি।

মমাঙথক্তা হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ইপাক্তা পীবিখিবা কোওপরেসন অদুমক হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা তেংবাঙবীরক্কনি হায়বগী থাজবসু থমজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

খাবৈসোইদা হলিমা অজিজ জুনিয়র কোলেজ হাংদোকখ্রে

INAUGURAL FUNCTION
of
HALIMA AZIZ JUNIOR COLLEGE
BY
DR. NAJMA HEPTULLA
Hon'ble Governor of Manipur
On 24th May, 2017
GUEST OF HONOUR
CHIEF GUEST

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না খাবৈসোইদা লৈবা জমিয়া অজিজ এদ্যুকেসনেল ট্রষ্টকী কেম্পসতা ঙসি মণিপুরগী গভর্নর নজমা হেপ্তুল্লানা শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা হলিমা অজিজ জুনিয়ার কোলেজ হাংদোকখ্রে।

হলিমা অজিজ জুনিয়ার কোলেজ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা গভর্নর নজমা হেপ্তুল্লানা হায়খি, ওজাশিং অমদি মমা-মপা ওইবশিংনা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংবু টেক্নিকেল লাইন্দা অখন্ননা এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংহন্নবা হোৎনরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মীয়াম্নসু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎলক্লিবা য়াইফ থৌরাংশিং অমদি মহাক্কী 'সব কা সাট, সব কা বিকাশ' অমদি মীপুম খূদিংমক থোং মান্ননা চাউখৎননবা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিদা থাজবা থন্বীয়ু হায়না আপিল তৌখি।

পনবা য়াবদি, খাবৈসোই কিরাং খুমিদোক ভীলেজ অসিদা লৈঙাক্কী ওইবা হায় স্কুল নৎত্রগা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদা লৈত্রি। মাইনোরিটিশিংদা এদ্যুকেসনেল ফেসিলিটিজ ফংহন্নবগী পান্দমদা জমিয়া হলিমা এদ্যুকেসনেল ট্রষ্ট অসি কুমজা ২০০৪দা লিংখৎলবা মতুংদা খুন্নাই অসিগী শোথনা লৈরিবা সেক্সনশিংগী হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংহন্নবগীদমক জুনিয়ার কোলেজ অসি হাংদোকখিবনি।

ট্রষ্ট অসিনা কনা লৈজদ্রবা অমদি শোথনা লৈরবা অঙাংশিংদা লেম্না এদ্যুকেসন অমদি একোমোদেসনগী কান্নবা ফংহন্দুনা লাক্লি। লেম্না মহৈগী মঙাল ফংহনবগী মথক্তা ট্রষ্ট অসিনা শোথনা লৈরবা ফুরুপশিংগী মরক্তগী মেদিকেল তম্নিংবা মহৈরোয়শিংদসু মতেং পাংদুনা লাক্লি হায়রি।

কোচিং পাঙথোক্লগনি : এম এস এফ

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না চঙশিল্লকপা ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা একাদেমিক কেম্পেনগী মখাদা এম য়ু এন্ট্রান্স ইগজামগী কোচিং চহীসিগী ওইনা কাঞ্চিপুরদা লৈবা লিট্টল রোজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্লগনি হায়না এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোলনা খঙহল্লক্লি।

কোচিং ক্লাস অসি জুন ৫দগী হৌগনি। কোচিং অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা জুন ৩ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌবা অমসুং পীশিনবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৯৬১২১২৪৬৪৮, ৭০০৫৫০২৭৬৯ অমসুং ৯৬১৫৯০৫৫০৯দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়নসু মখা তারক্লি।

'মে ২৬তা কাউন্সেলিং পাঙথোক্কনি'

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) :

ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওরিসোর্ছেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই বি এস দি)না শীন্দুনা লাক্লিবা মে ২৬তা অন্দর গ্রেজুয়েট, পোষ্ট গ্রেজুয়েট অমদি ডোক্টেরেল প্রোগ্রামগী এদমিসনগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা ফ্রী কাউন্সেলিং অমদি এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি হায়না ইন্সটিট্যুট অসিগী প্রো. দিনবন্ধু শাহুনা ফোঙদোকখ্রে।

তাকয়েলপাৎতা লৈবা আই বি এস দিগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবা অমদা প্রো. দিনবন্ধু শাহুনা হায়খি, কাউন্সেলিং এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা কোলেজশিংগী প্রিন্সিপালশিং অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াগনি। মসিদা মহৈরোয়শিংদা এদমিসনগা মরী লৈননা কাউন্সেলিং পীগনি।

মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মহৈরোয় কয়া লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মহৈ তম্বা চৎপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। শাশিন্নবা য়ুনিভর্সিটি খঙদোক্লবা অমদি মমিং লৈরবা এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা এদমিসন মতৌ করম্না তৌগদগে হায়বগী মতাংদা পীগদৌরিবা কাউন্সেলিং অসিনা লমদমসিগী মহৈরোয় কয়াদা কান্নবা কয়া ফংহনগদৌরিবনি। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি পীগদৌরিবা খুদোংচাবশিং অসি লৌহৌনবীগদমক মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপা ওইবশিংনা হকথেংননা লাক্লগা শরুক য়াবীয়ু।

মণিপুরগী গভর্নরনা হৌদোক্কদৌরিবা কাউন্সেলিং অমদি এৱ্যেরনেস পীবগী প্রোগ্রাম অসি মে ২৬কী অয়ুক পুং ১০দগী হৌরগা নুংথিল পুং ৫ ফাওবা চৎগনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা কোলেজশিংদা ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী খুদোংচাবসু ফংহনগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এম পি পিনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস) :

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা বরাক স্প্রিং ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা নাগাশিংগী ইস্যু অসি লৈরমদ্রবদি নোর্থ ইষ্টতা মী লৈ হায়বা খঙলল্লোই হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম্বু এম পি পিনা কন্দেম তৌরক্লি।

এম পি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই ভিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৱাফম অসি লাল্লগাদি মণিপুর অসি শা-কৈগুম্বা ঙাক্তা লৈরম্বা তাবনি হায়জনিংই। চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি লাইবক থীবনি হায়নসু মখা তারক্লি।

DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমপ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খাং নাবা, খোঙ খুং শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলিস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোম্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোম্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাষ্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হস্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাংপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হস্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিন্না ফহনবা ঙম্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

HL-B/3850/6/05-04/06

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

CROSSWORD-2423



ACROSS
1 Easily excused or pardoned (10)
7 Absurdity (8)
8 Arrange in order (4)
9 Main tower of castle (4)
10 Low stuffed seat (7)
12 Not to be endured (11)
14 Frivolous, scatterbrained (7)
16 Movie (4)
19 Merely (4)
20 Praiseworthy (8)
21 High-ranking diplomat (10)

DOWN
1 Dress (5)
2 Esteem (7)
3 Taverns (4)
4 Opening (8)
5 Lariat (5)
6 Covered walk with shops (6)
11 Fleet of small ships (8)
12 Area surrounded by water (6)
13 Bandit (7)
15 Jewish term for non-Jews (5)
17 Middle-distance runner (5)
18 Ado, bother (4)

Solution 2422

	R	E	Q	U	I	R	E	D		M	A	D
B		R		S		E		E		O		I
L	A	R	G	E		B	E	S	I	D	E	S
O		A				U		T		E		A
O	U	T	B	A	C	K		R	I	L	E	D
D		I		B		E		O				V
V	A	C	U	U	M		M	Y	O	P	I	A
E				N		A		E		R		N
S	C	A	L	D		R	E	D	C	O	A	T
S		S		A		D				M		A
E	N	H	A	N	C	E		T	H	O	N	G
L		E		C		N		O		T		E
S	O	N		E	X	T	E	N	D	E	D	

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2222

				8			3	4
			4			1		
		1	9	2				8
				4	6	2		
	6						9	
		8	1	3				
9				7	2	5		
		5			8			
3	8			1				

Solution-2221

3	2	6	7	1	5	8	4	9
4	8	7	3	6	9	5	1	2
9	1	5	2	4	8	3	7	6
5	3	9	1	7	2	6	8	4
2	6	8	5	3	4	7	9	1
1	7	4	9	8	6	2	3	5
7	5	3	4	2	1	9	6	8
6	9	1	8	5	3	4	2	7
8	4	2	6	9	7	1	5	3

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9